# মে ৫ - মালেম য়াওল ঈহৌগী লুচিংপুরেল কার্ল মার্ক্সকী মপোক নুমিৎ লাকপদা

- সোটিনকুমার -

*মালেমগী* পুৱারীদা মশক নাইখিবশিংগী মনুংদা কার্ল মার্ক্স (মে ৫, ১৮১৮) থোইদোক্লা শীংথানীংঙাই ওইবা মীশক অমনি। মহাক্লা মালেমগী শুরি নোম্লিবশিংগী য়াইফবা পুরক্লবগীদমক্তা সাইন্টিফিক কম্যুনিজমগী য়ূম্ফম থোনখি অমদি চহী কয়া থিজিন হুমজিন্দুনা কেপিটেলিজমনা মরায় চায়থরকপা লোয়ননা সোসিয়েলিজম্না জয় ওইরক্কদবগী মরম শুগায়না নৈনদুনা উৎখি। মার্ক্সনা ইন্টরনেশনল কম্যুনিষ্ট মুভমেন্ট শাগৎপদা অমদি সাইন্টিফিক কম্যুনিজমদা থাজবা শিন্নীশিংগী রেভল্যুসনরি পার্টিশিং শাগৎপদা চাউনা তেংবাংখি। মাগী লমজীং মখাদা শিন্নীশিংনা মখোয়বু ওৎলিবা শেঞ্জাউ পায়বশিংগী মায়োক্তা হৌদুনা শেঞ্জাউ পায়বগী খুন্নাই মূথুৎতুনা সোসিয়েলিষ্ট খুন্নাই লিংখৎনবগী য়ূম্ফম থোনবা হৌখি।


তশেঙবমকসু খুন্নাইগী অওৎ-অনৈ কয়াদগী মুক্তি ফংদুনা ঈজৎকা লোয়ননা হিংবা অমসুং মী মীদুগী লোয়নরক্লবা গুণ কয়া মপূং ফানা উৎথোকচবা ঙম্নবগী অমত্তা ঙায়রবা লম্বী উৎপা ঙমখিবা লময়ানবনি কার্ল মার্ক্স। মার্ক্সকী মমাঙদা পুথোকখিবা সোসিয়েল থীওরিশিং ইনাক কৈরাক খুনবশিংতবু শৌগৎপা ওইনা তৌরম্মী। লিশাংশীৎনা লাকখিবা পুৱারীগী লাতমদা মশীং য়াম্বা মীচম মীয়াম্বু শুমদুনা লৈঙাক্লিবা কাঙবুশিংনা লম কয়াদা-মহৈ মশীন তম্বা, সাইন্স অমদি কলা-বিদ্যা, থিজিন হুমজিনবা, লোয়ননা লৈঙাক চলাইবদা মোনোপোলি লৌদুনা চাওখৎপা, নুংঙাইবনা মখোয়গী শরূক, অদুগা শূ-নোম্লিবা কাঙবুনা য়াইতোং খমদোংবশিংগীদমক ৱানা হুমাং তানা শূবনা মথৌ ওইরম্মী। অসিগুম্বা খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎ কয়াসিবু হোংদোক্লীংবা মীওই কয়াসু থোরকখিদবা নত্তে, অদুবু মখোয়না পুথোকখিবা থীওরিশিং অদু সাইন্টিফিক ওইদবা, চঙশিনগদবা লম্বী শেংনা উৎপা ঙমদবা, লোয়ননা মতম মতমদুগী ওইখিবা খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎ য়ানীংদবগী ঈহৌ শাগৎপা ওইনা তৌখিবনা অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমখিদে। অদুনা অমম্বদা ককঙাওননা লমথুংফম থিবগুম, অচুম্বা লম্বেল য়াত্তুনা অরানবা লম্বীদা চঙশিল্লুবনা শূ-নোম্লিবা কাঙবুনা শেঞ্জাউ পায়বশিংগী খূবামনুংদগী নাম্থোকপা ঙমখিদে। অসুম্না চহীচা কয়া তুহৎ-নৈহৎপীরবা শিন্নীশিংগী মরায়বক্তা তাইনদুনা মপোক থীনা পোক্লক্তুনা অৱা-অনা কয়াসি নংলিবনি অমদি মথংগী হেন্না ফগৎপা মপোক অমগীদমক পুন্য তানশিনবগী মওং পূন্নমক তাইবঙ শেম্বীবা মপূদা তাইশিন্দুনা লৈনরম্মী। মখোয়াবু লমজীং লমতাকপীনবা চোঙথোরকখিবা মীওইশিংসু অনাবগী লায়ওং খঙদনা হীদাক পঙথা থাবগুম লম্বেল মফাংবনা শিন্নীশিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙমখিদে।

মখা তারকপদা ইন্দষ্ট্রিয়ল রেভল্যুশন্না পুরকখিবা অওনবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শীংথানীংঙাই ওইবদি শূরি-নোম্লিবশিংগী মরক্তা ক্লাশ কন্সিয়সনেস লাকপদগী পূনশিন্নরক্তুনা অচৌবা ফোর্স অমা ওইরকখিবসিনি। অসিগুম্বা মতমসিদা শিন্নীশিংগী মুক্তিগী লানফমদা লমজীংনবগীদমক্তা চপ চানা চুল্লবা থীওরি পুথোক্তুনা মাঙজীল থানা চোঙথোরকখি কার্ল মার্ক্স। মহাক্লা পুথোরকখিবা মার্ক্সিষ্ট ফিলোজোফি অসি জর্মন ফিলোজোফি, বৃটিশ পোলিটিকেল ইকোনোমি অমদি ফ্রেঞ্চ সোসিয়েলিজমনচিংবা মমূৎ তানা নৈনদুনা হেন্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা খুন্নাই চাওখৎলকপগী মওং অমদি তোঙান তোঙানবা কাঙলূপকী মীওইশিংনা করি করি তৌরিবা হায়বসি নৈনরগা চাওখৎলকপনি।

শূ-নোম্লিবা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমক্তা মার্ক্সনা পুথোক্লম্বা ফিলোজোফি অসি মীওইবা খুন্নাইগা মরী লৈননা পুথোক্লম্বা ৱাখল্লোনশিংগী মরক্তদি খ্বাইদগী হেন্না অচৌবা শাফূ পীখিবা অমদি পুৱারীগী খোঙচৎপু মমায় লৈহনখিবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। খুন্নাইদা লৈরিবা নৈহৎপীরবা মীওইশিংনা মখোয়না ৱারিবগী মরমদা করিমত্তা খঙজদনা লৈরম্বদু মীৎকপ থোকহনবদা মার্ক্সিজমনা কয়াম চাউবা থৌদাং লৌখিবগে হায়বদু পন্দুনা লোয়বা নত্তে। মার্ক্সিজমদা য়াওরিবা মরূওইবা মচাকশিং দাইলেক্টিকেল এন্দ হিষ্টোরিকেল মেটরিয়েলিজম, পোলিটিকেল ইকোনোমি অমসুং থীওরি ওফ সাইন্টিফিক কম্যুনিজমনা নৈহৎপীরবশিংগী ৱাখল অমদি মীৎয়েংদা অঙকপগী মশক ওইরবা অওনবা পুরক্তুনা খুন্নাইদা অহোংবা পুরক্ল বগীদমক্তা রিভোল্ট তৌহল্লকপা ঙমখি।

মার্ক্সিজমদা পুৱারীগী হোংলক্লিবা খোঙজেলসিদা বুর্জ্জুৱাজিশিংনা শেন্দোং তান্নবগীদমক্তা পোখোক পুথোকপদা লেবর ফোর্সপু এক্সপ্লোইট তৌরিবা অদুগা বুর্জ্জুৱাজিশিংনা শেন্দোং কয়া তানশিল্লকপদুনা মহুম অসুম চাওখৎলকপা অদুগা লেবর ফোর্সশিংনা পুন্সিগী ওইনা কোকপা ঙম্লরোইদবা মওংদা ৱারি-নংলিবা কয়াসিগী অরোনবা কয়াদু নৈনরি অমদি করম্না য়োৎহ্লিংসিদগী নাম্থোকপা ঙমগদগে হায়বগী লম্বীসু শেংনা তাক্লি। মার্ক্সিজম শাগৎলকখ্রিবসি মার্ক্সনা পুৱারীবু পোৎকা মরী লৈনবা অদুগা এঞ্জেলসনা সরপ্লস ভেল্যুগী থীওরি (ইকোনোমিক লো) পুথোক্লকপদগী ওইথোকখ্রিবনি। লোয়ননা সোসিয়েলিজম হায়বসি য়ূম্ফম য়াওদবা ওইথোক্লরোইদবা অমা ওইনা লৌনরম্বদগী সাইন্সকুম্না ফেক্ট কয়াদা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎপনি হায়বসি খঙনরকখি। হায়রিবা য়ূম্ফম অসিমক্তদনি ভি আই লেনিননা মার্ক্সিজমগী দোক্ট্রিন অসিবু থবক্তা পানশিন্দুনা সোসিয়েলিষ্ট খুন্নাই অমা শাগৎপদা প্রোলেটরিয়েটশিংনা খ্বাইদগী মরূ ওইবা থৌদাং লৌই হায়বসি উৎপা ঙমখ্রিবা।

কার্ল মার্ক্স চুম্নতগী মতীক মগুণ লৈরবা স্কোলার অমা ওইবতা নত্তনা রেভল্যুশনরি লীদর অমনি হায়বসি মহাক্লা এঞ্জেলসকা লোয়ননা মশাগী ক্লাশপু মশক শেংনা খঙজদবা রেভল্যুশনরি প্রোলেটরিয়েটশিংগী ইহান হানবা পোলিটিকেল ওর্গেনাইজেশন-"কম্যুনিষ্ট লীগ" লিংখৎখিবসিনা শাক্কিনি।




মার্ক্সনা হায়খি- "মালেমগী শূ-নোম্লিবশিংনা অপূনবা শক্তি শাগৎলবতদা মায় পাকপা পুরকপা ঙমগনি।"

অপূনবগী শক্তি শাগৎনবগীদমক্তা মশামক্লা ইন্টরনেশনল ৱর্কিং মেনস' এসোসিএশন লিংখৎতুনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা শিন্নীশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী লীচিংনা পূনশিন্নবা হনবা লৈতনা হোৎনরম্মী। মার্ক্স অমসুং এঞ্জেলসনা কম্যুনিষ্টশিংগীদমক্তা কদায় ফাওবা হোৎনরম্বগে হায়বসি "মালেমগী শূ-নোম্লিবশিং পূল্লসি" হায়বা খোল্লাউসিমক্লা ময়েক শেংনা উৎলি।

ইন্টরনেশনেলিষ্ট অমা ওইনা মার্ক্সনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা ওইরিবা ফীভম কয়া খূদম ওইনা—বৃটেন, ইন্দিয়া, ফ্রান্স, চাইনা, রসিয়া, অমেরিকা, আইয়রলেন্দনচিংবদা থোক্লিবা কয়াসি কূপ্না নৈনরম্মী। লোয়ননা মীওই কাঙলূপ অমনা লেল্লিবা পুন্সি মরেল নৈনবদা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগা মরী লৈননা নৈনরম্মী।

মার্ক্সনা য়াম্না নহা ওইরিঙৈদা লাইফাওগুম্না হায়দোকখিবা ৱাহৈশিং—-"ফিলোজোফরনা মাগী মেটরিয়েল ৱীপন প্রোলেটরিয়েটশিংদগী ফংই, প্রোলেটরিয়েটশিংনা ফিলোজোফিদগী স্পিরিচুয়ল ৱীপন ফংই" হায়খিবদু অচুম্বা ওইনা থবক্তা পানশিন্দুনা উৎখি। মার্ক্সনা শূ-নোম্লিবা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক পুথোক্লম্বা হিষ্টোরিকেল মেটরিয়েলিজম অমদি ইকোনোমিক থীওরিগী মরমদা রসিয়াদা অহানবা ওইনা ওক্টোবর রেভল্যুশন হৌদুনা সোসিয়েলিষ্ট খুন্নাই অমগী য়ূম্ফম থোনখিবা ভি আই লেনিননা অসুম্না হায়খি, "লীশাং শীৎনা তুহৎ নৈহৎপীদুনা লৈরকপসিদগী নাম্থোক্লবা লম্বী মার্ক্সিষ্ট ফিলোজোফিনা প্রোলেটরিয়েটশিংদা তাক্লে লোয়ননা ইকনমিক থীওরিনা শেঞ্জাউ পায়বগী খুন্নাইদা প্রোলেটরিয়েটশিংগী অশেঙবা মফম ময়েক শেংহল্লে। মীওইবগী য়াইফনবগীদমক্তা কথোক্লবা মার্ক্সনা অৱাবা কয়া মায়োক্লবা তাখি অদুবু কৈদৌঙৈদসু মপূক্লিং হনবা তৌখিদে। মহাক্লা হনবা লৈতনা শূরি-নোম্লিবশিংগী হেন্না ফগৎপা পুন্সি অমগীদমক্তা থেংনখি। মপুন্সি চূপ্পা অরানবা, ওইদবা ৱাখল্লোন, নমথাক অমসুং অরেপ্পা পূকচেল চেন্দবশিংগী মায়োক্তা লেপখি লোয়ননা লৈঙাক্লিবা কাঙবুগী শূপ্নম নীতি শীংনখি।

কথোক্লবা পুন্সি অমগীদমক চঙশিন্দুনা ইকায় খুম্ননীংঙাই ওইরবা ফম অমদি পুন্সি মরেল নাচুংখিদে। অহোয়নদুম মীচেল অমা ওইনা তঙ-তাদবা পুন্সি মরেল অমদা মফম অমদগী অমদা হোং-হোংদুনা মশাতা নত্তনা মহাক্কী নুপী, অঙাং পূন্নমক খুদোংথীবা অমদি অওৎ-অনৈ কয়া মায়োক্লবা তাখি। অদুবু করিমত্তা নাচুংবা লৈতনা থৌনা ফনা লেপ্তুনা মাগী থিজিন হুমজিনবগী থবক মপূং ফানা চথুদুনা হিংলিঙৈ মতমদা চপ চাবা মগুণ খঙবীখিদ্রবা মাগী সাইন্টিফিক ওইরবা থীওরিশিং ঙসিদি অহোংবা অওনবা পুরক্লবগী অমত্তা ঙায়রবা খূৎলায় ওইরে।

কার্ল মার্ক্স গুণ কয়ানা লৈতেংলবা মীশক অমনি। শম্না হায়রবদা মহাক অফাওবা সাইন্টিষ্ট অমনি। থিজিন হুমজিনবগী লমদা চোকথবা নাইদ্রবা রিসর্চর অমসুনি, লোয়ননা প্রোলেটরিয়ানশিংগী মুক্তি লানফমগী পোরম য়াৎপা লীদর অমনি। মঙোন্দা অফবা মী অমদা চেনফম থোকপা মগুণশিং ইচম চম্বা, নুংশিহৈবা, থৌনা ফবা, চোকথবা নাইদবা, নীংখ্রবদা হোংদবা লোয়ননা থবক শীন্দোকপা হৈবনচিংবা গুণ পূন্নমক চেল্লি।

মার্ক্সকী মিংগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা, লুনা তিন্নজখিবা মরুপ লোয়ননা থিওরি কয়া শাগৎপদা, চেফোঙ কয়া পুথোকপদা অমদি প্রোলেটরিয়েটশিংবু লমজিংমিন্নখিবা ফ্রেদরিক এঞ্জেলসনা মার্ক্সকী পুন্সিগী শক্তম মরিক চুম্না তাকপা বাইওগ্রাফি অমা ইনবা মার্ক্সনা নোংঙ্গাখ্রবা মতুংদা হোৎনখি অদুবু পাঙথোকপা ঙমদনা মহাকসু নোঙ্গাখি।

অসিগুম্বা অচৌবা অহোবসিবু মেনশিন্নবা ভি আই লেনিন্না কুমজা ১৯১৪ দা তেন্তক্লা আর্টিকলগী মওংদা মার্ক্সকী পুন্সি অমদি মানা তৌরম্বা থবকশিংগী মরমদা নৈনবা য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা বাইওগ্রাফি অমা ইদুনা গ্রানেট দিক্সনারিদা ফোঙখি। মখা তারকপদা কুমজা ১৯১৮ দা জর্মনগী অফাওবা ফিলোসোফর অমদি ইতিহাসকার লোয়ননা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ জর্মনগী ফাউন্দর মেম্বর ফ্রাঙ্ক মেরিংনা 'কার্ল মার্ক্স- দি ষ্টোরি ওফ হিজ লাইফ' ইদুনা ফোঙলকখি। অদুবু লাইরিকসিদা মার্ক্সকী মরুওইবা লাইরিকশিং - কুমজা ১৮৪৪ গী ইকনমিক এন্দ ফিলোসোফিক মেনুস্ক্রিপ্ট, দি জর্মন ইদিওলোজি, কুমজা ১৮৫৭-৫৮ গী ইকনমিক মেনুস্ক্রিপ্ট লোয়ননা মার্ক্সকী পুন্সিগী মরুওইবা শক্তম কয়া চিৎথবগী মমি নিংথিনা তাখি। মরমসিদগী মার্ক্সিষ্টশিংগী মরক্তা মার্ক্সকী পুন্সিগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্কক্লা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লোয়ননা মার্ক্সকী সাইন্টিফিক অমদি লিটরেরি ৱার্ক কয়াসি মমুৎ তানবা নৈনবা হৌরক্তুনা লময়ানবা অসিগী হেন্না মপূং ফারবা বাইওগ্রাফি অমা ইনবগী মচাক খোমজিনবা হৌরক্তুনা ফ্রেঞ্চ মার্ক্সিষ্ট আগষ্টি কোর্ন্থগী 'বাইওগ্রাফি ওফ মার্ক্স এন্দ এঞ্জেলস', বৃটিশ রাইটর জোন লুইজগী 'দি লাইফ এন্দ টিচিং ওফ কার্ল মার্ক্স' অমদি জর্মনগী ইনষ্টিটুট্যট ওফ মার্ক্সিজম - লেনিনিজম্না 'এ কলেক্টিভ বাইওগ্রাফিকেল ৱার্ক ওন মার্ক্স' নচিংবা ফোঙনরকখি।

এন্টি- কম্যুনিষ্ট অমদি সিউদো- সোসিয়েলিষ্ট কয়ানসু মার্ক্সিজম অমসুং ৱার্কিং ক্লাশ মুভমেন্টপু শেরান্না উহনগদবা লোয়ননা মার্ক্সিষ্ট ডোকত্রিন অসি মতমগা চান্নদবা অমদি মার্ক্সনা মাঙজৌননা হায়রম্বগা পুৱারীগী খোঙজেলগা খেন্ননা চৎলি হায়বনচিংবা কয়া শন্দোক্লবা হোৎনদবা নত্তে। অদুবু মখোয়সিগী প্রিচিং বেজলেস ওইরে হায়বসি মালেমগী লৈবাক কয়াগী লৈঙাক্তা পুরক্লিবা অওনবশিং, মীনা মীবু নমথদুনা থম্বা য়ারক্তবা, ইন্টরনেসনল ৱার্কিং ক্লাশ অমদি কম্যুনিষ্ট মুভমেন্টনা লম কয়াদা জয় ওইরকপসিনা হেন্না ময়েক শেংহল্লে।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হান্নগী লৈঙাক্কী মওং অমুক ওইরকপা য়ারি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*তরামাথোইশুবা* মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী মতুংদা সিট হুম্ফুগী মনুংদা কুনমাথোইখক্তা ফংবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেমদুনা সিট কুননিপাল ফংবা কোংগ্রেসনা ওপোজিসন্দা লৈবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবা থা অনী ফাদ্রি। অনৌবা লৈঙাক অসি শেল্লমদাই মতমদগী হৌজিক ফাওবদা কোংগ্রেসকী এম এল এ তরুক বি জে পিদা য়াওখ্রে। মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না খঞ্জবদি মতম কুইনগী মতুংদা মণিপুরদা মপাঙ্গল কনবা ওপোজিসন অমা লৈরে। লৈঙাক পায়রিবা পার্টিশিংনসু অফবা অচুম্বা খরদি শোয়দনা তৌরক্লনি হায়বসিনি। কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা চোঙশিনখ্রিবমখৈ ওপোজিসনগী মপাঙ্গল হস্থরক্লিবনি।

অমরোমদা বি জে পিনা পাম্বসু মণিপুরগী লৈমাইদগী কোংগ্রেস মরু ফংনা মুথুৎপা নৎত্রগা মুৎখিবা অদুনি হায়বা য়াই। মতাং অসিদা বি জে পিনা খঙজিনবা য়াবা খরদি লৈরি। হৌজিক হৌজিক বি জে পিদা চোঙশিল্লক্লিবা কোংগ্রেস এম এল এশিং অসি কদায় ফাওবা পার্টি (বি জে পি) বু থাজরবগে। তশেংনা বি জে পিগী ৱাখল্লোন মখোয়দা চেল্লব্রা নৎত্রগা চহী তরামঙা রুলিংদা লৈরুরগা হন্দক ওপোজিসন তারকপা অসিদা শ্বর হোনফম খঙদদুনা চৎন-কাঙলোন য়েংদনা মিৎ-না উইশিল্লগা চোঙলক্লিব্রা? মখোয়না এন বিরেনগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিবু তশেংনা পাঙ্গল কলহনবা পাল্লব্রা, ওপোজিসনগী এম এল এ অমা ওইনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবদা তশেংনা পাঙ্গল শুংথোক থোক্তব্রা?

বি জে পিদা চোঙশিল্লক্লিবা এম এল এশিং অসিগী মনুংদা ও ইবোবীনা অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা এম এল এ ওইনা কারকখিবসু য়াওরি। মতম অদুদা চৎমিন্নরিবা ও ইবোবীবু ইন্তুনবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্বা এম এল এসু য়াওরি। মখোং মরা চেৎখ্রবা ইবোবীগী লৈঙাক ফাওবা এটেক তৌখিবা এম এল এশিং অদুনা এন বিরেনগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা করি তৌরক্কনি হায়বা ঙমদ্রি। অমরোমদনা বি জে পিনদি চঙলকপা খুদিংমক তরাম্না ওক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে। রুলিংদা এম এল এ মশীং য়াম্না লৈরগা লৈঙাক অদু মরা চেৎলে নৎত্রগা চেৎলনি হেক্তা হায়বা য়াবা নত্তে। মফম মতম অমদা হেক্তা কায়বা ওইথোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লৈঙাক অমা শেম্বদা মথৌ তাবা এম এল এ মশীংদগী কা হেন্না হেল্লবসু পার্টি মনুংদা ঈরাং থোক্লবা মচাকতুম ওইরকপা য়াই। অমরোমদা লৈঙাক অদুনা অশানবা মিৎয়েংগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং অদুনা মীয়াম্না থাজবা অমদি পাম্নবা লৈঙাক হায়বদু ওইগনি। হেন্না মরা চেৎকনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২ গী মীখলদা বি জে পিগী মীহুৎ অমত্তা কাখিদে। কোংগ্রেসনা মীহুৎ নিফুনিথোই কাদুনা চাউনা মায় পাকখি। হন্দক্কী মীখলদনা বি জে পিনা জিরোদগী কুনমাথোইদা হাইগৎলকখি অদুগা কোংগ্রেসনা নিফুনিথোইদগী কুননিপালদা হন্থরকখি। মসি এন বিরেনগী ৱেভ নত্তে প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱেভনি। মণিপুরদা ইবোবীগী কোংগ্রেস লৈঙাক চহী ১৫ লৈরম্মী। চাওখৎ থৌরাংগী থবক ময়াম অমসু তৌরম্মী অদুবু ইবোবীনা লায়রবা মীচম মীয়ামগী ওইবা থোইদোকপা থবক পায়খৎপীরমদবগা লোয়ননা মহাক্কী মচিন্দগী শেঞ্জা থুমজা মুথৎকনি হায়বসি খক পনখিদে। মহাক্কী চহী ১৫ গী মতমদা শেঞ্জা থুমজা কা হেন্না ৱাংখি। লায়রবা মীচম মীয়ামগী আশা মমি শাল্লকখি। মতম অসিমক্তদনি বি জে পিনা লায়র-ইনাকখুনবা থোং মান্নহনবা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা খুন্নাই অমা শেম্বা হায়বগী পান্দমদা শাফু কন্না হৌরকখিবা। পান্দম অসি অয়াম্বা মীচম মীয়ামনা পাম্বা মরমননি হন্দক বি জে পিনা জিরোদগী কুনমাথোইদা হেনগৎলক্লিবা।

অমরোমদা বি জে পিনা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং অসুম অসুম লেপ্তুনা লৌশিল্লবদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি কোংগ্রেসতগী কারকপা এম এল এ মশীংনা বি জে পিদগী মশীং য়াম্না হেনখিবসু য়ারি। কোংগ্রেসকী এম এল এশিংনা বি জে পিদা ওনশিনজবগী ৱাখলতনি মখোয়গী হান্নগী ৱাখল্লোন অমদি শেঞ্জা থুমজাগী হৈনবী অদুদি থাদোকপা ঙল্লগদ্রা? ঙল্লমদবা থোক্লবদি এন বিরেন্না পাঙথোক্কে খল্লিবা থবকশিংদা মশক থিহন্দুনা বি জে পিগী পান্দম অদু ফংবা ঙমদবসু য়ারি।

অরোইবদা হায়জনীংবদি মী খোনবা, মীয়োক মীচান ফবা মতৌদা খুদোংচাবা লৌগে খনবা মীওই য়াওরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। রমায়ন্দা রাবন্না সিতা ফাবা লাকপা মতমদা মশাগী অশেংবা শক্তম লোৎশিন্দুনা লাকখিবনি হায়বা বি জে পিনা কাউবিদবা ফৈ।

*অদোমগী - এম মনিচন্দ্রা সিংহ*
*কমালা পরেং, ককচীং*

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা সিক্স সেমেষ্টরগী পরিক্ষাগী ফল মতম চানা জুন থাদা হায়দোক্কদবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মণিপুর* য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বি এ/বি এস সী/বিকোম সিক্স অমদি সেকেন্দ সেমেষ্টরগীনা মে ২৭ তগী জুন ৬ ফাওবা তৌরগনি হায়বগী রুটিন/প্রোগ্রাম থোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসি প্রেক্টিকেল য়াওদ্রিবা থিওরিখক্তগী ওইনা নুমিৎ ৩০ হেন্না চঙবা পরিক্ষানি। অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশীন তম্নবগী আশা চাউনা তৌদুনা লৈরিবা মাষ্টর, এমফিল, পি ঐচ দি অমদি অতৈ অতৈ কোর্সশিং তমগনি হায়দুনা লৈরিবা ওনর্স লৌবা মহৈরোয়শিং হায়বদি সিক্স সেমেষ্টরগী মহৈরোয়শিংগী ওইনদি মে তাং ৯, ১২ অমদি ১৭ তা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা মতম নুমিৎ হুমনি অসিদা থিওরি অমসুং প্রেক্টিকেল পরিক্ষা অনীমক লায়না লোইশিনবা য়ারে।

চৎনবী অমা ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা সিক্স সেমেষ্টরগী পরিক্ষাগী ফল জুলাই থাগী ময়ায় অমসুং মসিগী মতুংদা হায়দোকই। পরিক্ষা থেংনা হায়দোকপনা মরম ওইদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী গ্রেজুয়েট পাস তৌরবা মহৈরোয় কয়া মরাইবক থিহল্লি, মণিপুরগী মপান্দা মশীং য়াম্না লৈরিবা, সবজেক্ট অমদি সিট মশীং য়াম্না লৈবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, লাইব্রেরি মতিক চানা লৈবা য়ুনিভর্সিটিশিং/ইনষ্টিট্যুসনশিংদা মিং চনবা মহৈরোয় অয়াম্বনা ফংদে। অথেংবা জুলাই থাদা মিং চনবা য়াবা য়ুনিভর্সিটি অমা অনীখক্তদা মিং চনবা ঙমই, মসিসু য়াম্না লায়না থোক্তে। করিগুম্বা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি/ইনষ্টিট্যুসন অয়াম্বদা মিং চন্নরিবা মতম জুন থা ফাওবগী মনুংদা হায়বদি অহুমশুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা সিক্স সেমেষ্টরগী ফল লাউথোকপা ঙল্লবদি মরিপুরগী গ্রেজুয়েসন পাস তৌরবা মহৈরোয় চা কয়া মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা অফবা, অৱাংবা থাক্কী য়ুনিভর্সিটি/ইনষ্টিট্যুসনশিংদা লাইরিক তম্বা ফংদুনা লাইরিক হৈবা মতিক চাবা কয়া মশীং হেন্না পুথোকপা ঙমগনি থাজৈ। অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা সবজেক্ট মশীং য়ামদবা, সিট মশীং য়ামদবনা মরম ওইরগা মহৈরোয় গ্রেজুয়েট কয়া মিং চনবা য়াদবদগী/ফংদবদগী লাইরিক মখা তমথদবা, চহী মাঙলগা লাইরিক মখা তমথবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। মসি অফবা থবক নত্তে।

বোসেম অমসুং কোসেমনা অনৌবা অফবা ষ্ট্রেটেজি খরা লৌখৎতুনা, মতম শাংনা ইকনমিক ব্লোকেদ অমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনগী খুদোংচাদবা লৈখ্রবসু ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ পরিক্ষাগী ফল মতম চানা হায়দোক্কনি হায়না থৌরাং তৌবগুম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিসু থোইদোকপা থৌরাং খরা লৌখৎতুনা সিক্স সেমেষ্টরগী পরিক্ষাগী ফল জুন থাগী মনুংদা হায়বদি ৩ শুবা চয়োল ফাওবদা হায়দোক্লবা তৌবিয়ু হায়জনীংই। মসিনা মহৈরোয় খুন্নাইগীদা নত্তনা লৈবাক্কী ওইনা অফবা পুরক্কনি। এম য়ু ওথোরিটিদা হায়জরিবা অসি লুম্না লৌহঞ্জনীংই/পাঙথোকহঞ্জনীংই।

*অদোমগী - টি ঐচ রঞ্জিৎ*
*থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়, ইম্ফাল*